# মাঙখিবা এ এন-৩২ প্লেন ক্রাস সাইটতগী ভোইস, দাটা রেকোর্দরশিং ফংখ্রে, তোংখিবা ১৩মক শিখ্রে



**ইতানগর, জুন ১৪(এজেন্সি)ঃ** অরুনাচল প্রদেশতা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী রসিয়ানা শাবা এ এন-৩২ এয়ারক্রাফকী ক্রাস সাইটতগী ঙসি ইরাই নুমিৎতা রেস্কু টিম অমনা প্লেন অদুগী কোকপীক ভোইস রেকোর্দর (সি ভি আর) অমসুং ফ্লাইট দাটা রেকোর্দর (এফ দি আর) অদু ফংলে হায়না আই এ এফকী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নোং-চীংগী ফিভম অমসুং খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা লম্মিৎ-তুম্মিৎ ওইদুনসু আই এ এফ, আর্মি অমসুং মফমদুগী মীওইশিংগী রেস্কু টিমশিংনা এয়ার ফোর্স পার্সোন্নেলশিংগী হকচাংশিং অদু লৌখৎনবা মখোয়না অঙন্বা থাক্তা হোৎনরি হায়না শিলোংদা লৈবা আই এ এফকী ৱাঙাংলোই রত্নাকর সিংহনা হায়খি।

প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই ১৩ অদু লোয়নমক শিখ্রে হায়না ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

এ এন-৩২ এয়ারক্রাফ অদুনা অসামগী জোরহাৎতগী অরুনাচল প্রদেশতা চিনাগা তাইনবা ঙমখৈ মনাক্তা লৈবা মেনচুকা এদভান্স লেন্দিং গ্রাউন্দদা পাইখিবগী লম্বীদা জুন ৩দা পাইখৎখিবা পূং অমা-মখাই রোমগী তূংদা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি।

নোং লেপ্তনা চুখরকখিবগা লোয়ননা ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম ফৎতবগী মথক্তা অদুক্কী মতিক খুদোঙথিবা লম্মিৎ-তুম্মিৎকী ফীবম অদুনা হকচাংশিং অদু লৌখৎনবা হোৎনবদা মখা তানা অপনবা থোকখি হায়না আই এ এফ ৱাঙাংলোই অদুনা হায়খি।

ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতা মফম অদুগী চীংকারোই ৩ অমগসু রেস্কু মিসন অদুদা য়াওরকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা হকচাংশিং অদু ক্রাস সাইট অদুদগী লৌখৎনবা হোৎনবদা আই এ এফতা পাংবা য়াবা মতেং পূন্নমক পাংলি হায়না সিয়াং দিষ্ট্রিক্ট দিপুটি কম্মিস্নার রজীব তালুকনা হায়খি।

প্লেন অদুনা ক্রাস তৌখিবা মফম অদু চংশিনবা ঙমদবা অরুবা লোকচপ অমদনি হায়খি। প্লেনগী অতেক-অকাই অদু এয়ারক্রাফ অমসুং হেলিকোপ্টরশিংগী ফ্লীট অমা লোয়ননা গ্রাউন্দ ফোর্সশিংনা পাক-শন্না থিরক্লবগী নুমিৎ ৮নি তূংদা সিয়াং অমসুং সি-য়োমী দিষ্ট্রিক্টশিংগী ঙমখৈদা লৈবা গাত্তে খূনগী মনাক্তা ফুট ১২,০০০ গী অৱাংবদা আই এফ কী হেলিকোপ্টর অমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা উখিবনি।

খুদোংথিবা থৌদোক থোকখিবা মফম অদুদা হিংলম্বা য়াবশিং থিজিল্লনবা মীওই ১৫না শাবা রেস্কু টিম অমা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা থাজিনখি অমসুং মখোয়গী মনূংদগী ৮না ঙরাং শগোলশেলগী অয়ুক্তা মফম অদুদা থুংখি।

মরকসিদা অরুনাচল প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দু অমসুং গভর্ণর ব্রিগেদিয়ার (রিটায়ার) বি দি মিশ্রানা অরুনাচলগী চীংদোন্দা জুন ৩দা ক্রাস তৌখিবা। আই এ এফ প্লেন অদুগী এয়ার ৱারিয়রশিংগী অৱাবা তাহৌরবা ইমূংগী মীওইশিংদা অৱাবা পাউজেলশিং থাখ্রে।

# গল্ফ ওফ ওমনদা ওইল টেঙ্কর এটেককী মতাংদা য়ু এসনা শীরকখিবা মরান ইরাননা য়াখিদ্রে



**দুবাই, জুন ১৪(এজেন্সি)ঃ** ওইল টেঙ্কর অনী মৈ চাকহনখিবা অমসুং গল্ফ রিজন অসিদা উংখৎনবা ৱাংখৎহনখিবা লোয়ননা মালেমগী থাওগী মমলশিং তাঙখৎহনখিবা গল্ফ ওফ ওমনদা ওইল টেঙ্কর অনীদা এটেক তৌরকখিবা অদু ইরাননি হায়না য়ু এসনা মরানশিং শীরকখিবা অদু য়ুমফম য়াওদবনি হায়না ঙসি ইরাননা য়াখিদ্রে।

রিজন অসিদা য়ু এসকী ফোর্সশিং অমসুং এলাইশিং ৱাসিংটননা ঙাকথোক্কনি হায়না য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনা ৱার্নিং তৌখি অমসুং মরুওইবা জহাজ লম্বী অসিদা থা অমগী মনূংদা অনীরকশুবা ওইনা থোক্লিবা অসিগুম্বা থৌদোক অসি কোকহন্নবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা পুখৎকনি হায়খি।

অদুবু ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহম্মদ জবাদ জারিফনা ঙসি ত্বিট তৌদুনা পাউখুম পীরকখিবদা অশেঙবা নৎত্রগা সারকমষ্টেন্সিয়েল ইভিদেন্স মচেৎ অমত্তা য়াওদনা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসননা খুদক্তা ইরানগী মথক্তা মরানশিং শীনবা চোংশিল্লকখি হায়খি।

জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেনা ইরানগী খোঙচৎতা লৈরিঙৈগী মনূংদা য়ু এসনা সেবোটেজ দিপ্লোমেসি চত্থনবা হোৎনৈ অমসুং নাকন নাম্মতদগী ইরানগী মথক্তা সেঙ্কসনশিং থল্লক্লিবা অদু কুপশিন্নবা হোৎনরি হায়না মহাক্না মরান শীখি।

য়ু এস অমসুং মসিগী লমদমসিদা লৈরিবা খোঙলোই লৈবাকশিংনা লান খৌরাংবগী খোঙথাং শোয়দনা লেপক্কদবনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ইরানগী মিসননা হায়খি।

নোংমদা ক্রুদ ওইল বেরেল মিল্লিয়ন ১৫রোম ফাওদুনা চৎলিবা গল্ফ অমসুং গল্ফ ওফ ওমনগী মরক্তা লৈরিবা চেক-পোইন্ট ষ্ট্রেট ওফ হোরমুজগী অকোইবদা ফোংনা লান থোক্লকপা য়াবগী ফিভমনা থাওগী মমলশিং খংতাং তাংখৎহনখ্রে।

হৌজিক ওইরক্লিবা এটেকশিংগী মওংশিং অসিনা গল্ফ রিজন অসিদা ঐখোয় খুদোঙথিনীংঙাই ওইবা তাঙ্কক অমদা লৈরি হায়না ইন্টরনেসনেল ক্রাইসিস গ্রুপতা লৈরিবা সেনিয়র এনালিষ্ট এলিজাবেথ দিকিনসননা হায়খি।

মসিদা মিসকালকুলেসন নৎত্রগা মিসঅন্দরষ্টেন্দিং অমনা হেক্তা চপ চাবা মায়োক্লনা থেঙনবা লান অমগী মায়কৈদা উংখৎনবা থোকহল্লকপা য়াবগী খুদোঙথিবা লৈ হায়না মহাক্না হায়খি।

কিরজিষ্টানদা ইন্টরনেসনেল ফোরম অমদা ৱা ঙাংবদা ইরানগী প্রসিদেন্ট হাশন রৌহানিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা য়ু এসকী থবকশিং অসি গ্লোবেল অমসুং রিজনেল ষ্টেবিলিটিদা শাথিনা অকীবা পীবা অমনি হায়খি।

হৌখিবা চহী ২ চুপ্পা য়ু এস গভর্ণমেন্টনা ইন্টরনেসনেল ষ্ট্রকচরস অমসুং রুলস পূন্নমক থুগাইদুনা অমসুং মখোয়গী ইকোনোমিক, ফাইনান্সিয়েল অমসুং মিলিটরি ছোর্সশিং শিজিন্নদুনা লমদম অসিদা অমসুং মালেমগী তংদু-লৈতাবদা শাথিবা খুদোঙ থিনীংঙাই ওইবা অমা থোকহল্লি। মখোয়না লানগী লম্বী অমদা চংশিল্লক্লি হায়না মিষ্টর রৌহানিনা হায়খি।

য়ুরেসিয়ান সেক্যুরিটি এলায়েন্স অমা ওইরিবা শাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী মীফম অমদা প্রসিদেন্ট রৌহাননিগী ট্রান্সলেট তৌবা ৱারোলশিংদা ৱাফমশিং অসি হায়খিবনি।

# ইন্দিয়ানা জুন ১৬তগী য়ু এসকী পোৎলম ২৯দা লমন খুম্বা ওইনা অহেনবা কষ্টমস দিয়ুটিশিং লৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জুন ১৪(এজেন্সি)ঃ** থাখিবা মতম কয়ারক হন্না শাংদোকখ্রবা তুংদা য়ু এসকী পোখোক, অলমোন্দ, ৱালনট, অমসুং পলজনচীংবা পোৎলম ২৯গী মথক্তা জুন ১৬তগী হৌনা ইন্দিয়ানা অহেনবা কষ্টমস দিয়ুটিশিং লৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

মসিগী মতাংদা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা থুনমক নোটিফিকেসন অমা থোক্লগনি হায়না লিখুনশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা য়ু এসকী হায়রিবা পোখোকশিং অদুদা অমেরিকান এক্সপোটরশিংনা দিয়ুটিশিং পীরকপা তাবনা মখোয়দা শোকহল্লগনি। ইম্পোর্টশিং অসিদগী ইন্দিয়ানা দোল্লর মিল্লিয়ন ২১৭ লোমগী অহেনবা রিভিন্যু ফংলগনি।

ষ্টীল অমসুং এলুমিনিয়মগী পোখোকশিংদা য়ু এসনা কষ্টমস দিয়ুটিশিং য়ান্না ৱাংনা লৌনবগী ৱারেপ লৌখিবা অদুগী লমন খুম্বা ওইনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনসু জুন ২১, ২০১৮দা হায়রিবা পোখোকশিং অসিগী মথক্তা অহেনবা দিয়ুটিশিং লৌনবা ৱারেপশিং লৌখিবনি। মসিগী মতাংদা ইন্দিয়ানা য়ু এসতা পাউ খঙহনখ্রে হায়রি।

ৱালনটতা লৌবা ইম্পোর্ট দ্যুটি চাদা ৩০ ওইরম্বদগী চাদা ১২০দা হেনগৎখ্রে, চীকপিজ, বেঙ্গল গ্রাম (চানা) অমসুং মাসুর দালগী মথক্তা লৌবা দিয়ুটি হৌজিক চাদা ৩০ লৌরিবসিদগী চাদা ৭০দা হেনগৎলগনি। লেন্টিলসকী মথক্তা লৌবা লেভি চাদা ৪০দা হেনগৎলগনি। দিয়ুটিশিং হেনগৎলগদবা অতে পোখোক কয়ামরুগী মনূংদা নট মখল খরা, আইরন এন্দ ষ্টীলগী পোখোকশিং, এপলশিং, ষ্টেনলেস ষ্টীলগী অপাকপা পোখোকশিং, এলোই ষ্টীল ট্যুব অমসুং পাইপ ফিটিংস, স্ক্র্যুজ, বোল্ট অমসুং রিবেটসনচীংবা য়াওরি।

ষ্টীল এন্দ এলুমিনিয়মগী মথক্তা ইম্পোর্ট দিয়ুটিশিং থমজিল্লকপগী মতাংদা ইন্দিয়ানা য়ু এসপু ৱার্ল্ড ট্রেদ ওর্গনাইজেসন (দবলিয়ু টি ও)গী দিসপুট সেটলমেন্ট মেকানিজমদা কৌখৎহনখি।

ইন্দিয়ানা য়ু এসতা চহী খুদিংগী দোল্লর বিল্লিয়ন ১.৫ লোমগী ষ্টীল অমসুং এলুমিনিয়মগী পোখোকশিং এক্সপোর্ট তৌই। ২০১৭-১৮দা য়ু এসতা ইন্দিয়াগী এক্সপোর্টস দোল্লর বিল্লিয়ন ৪৭.৯ ওইখি। অমরোমদা ইম্পোর্টতি দোল্লর বিল্লিয়ন ২৬.৭ খক্তনি। মরম অদুনা লৈরিবা ট্রেদ বেলেন্স অসি ইন্দিয়াগী ফিভম ফৈ।

# নাইজেরিয়া মিলিটরি বেজদা এটেক তৌদুনা বোকো হারামনা লান্মী কয়ামরুম হাৎখ্রে

**কানো, জুন ১৪(এজেন্সি)ঃ** বোকো হারাম জিহাদিষ্টশিংনা নাইজরগা তাইনবা ঙমখৈ মনাক অৱাং -নোংপোক থংবা নাইজেরিয়াদা লৈরিবা মিলিটরি বেজ অমদা লান্দাদুনা লান্মী কয়ামরুম হাৎখ্রে অমসুং খূৎশু-খূৎলাইশিং পুখ্রে হায়না মিলিটরি লিখুনশিংনা ঙসি ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।



ট্রক ৮দা লাকখিবা ইস্লামিক ষ্টেট ৱেষ্ট আফ্রিকা প্রোভিন্স (আই এস দবলিয়ু এ পি)গী ফাইটরশিংনা বোরনো ষ্টেটকী কোনূং মাইদুগুরিগী অৱাংদা কিলোমিটর ৩৩৫ লাপ্পা কারেটো খূন্দা লৈবা মিলিটরি বেজ অদুদা ঙরাং শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা লান্দাখিবনি।

টেরোরিষ্টশিং অদুনা অয়ুক পূং ৪ রোম তাবদা কারেটোদা লৈবা ১৫৩ ট্রুপস বতালিয়ান্দা লান্দাখি অমসুং কন্না লান্থেংনরল্লবা তূংদা লান্মীশিং অদু টেরোরিষ্টশিং অদুনা নমহৎখি হায়না মমিং ফোঙদোক্লিংদবা আর্মি ওফিসার অমনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

ঐখোয়গী মীওই কয়ামরুম মাঙজরে অদুবু ঐখোয়না হৌজিক চপ চাবা মশীং অদু খঙনবা হোৎনরি। ঐখোয়না শোয়দনা খঙবা অমদি শিখিবশিং অদুগী মনূংদা বেজ কম্মান্দর ওইরিবা লেপটনেল কর্নেল অমা য়াওখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

লালহৌবশিং অদুনা মিলিটরি বেজ অদু থুগাইরমখ্রে অমসুং খূৎলাইশিং অমসুং গারীশিং পুদুনা চৎখ্রে হায়রি।

অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অমনা অতেক-অকাই থোকহল্লমখিবা কম্যুনিকেসন্স ইক্যুপমেন্ট শেমজিন্নবা লান্মীশিংনা হোৎনরিঙৈদা খঙহৌদনা ইস্লামিষ্টশিং অদুনা এটেক চত্থরকখিবনি হায়না মমিং ফোঙদোক্লিংদবা অতোপ্পা ওফিসার অমনা হায়খি।

# পুলৱামাদা খূৎ থোক্নবদা এল ই টি টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রে

**শ্রীনগর, জুন ১৪(এজেন্সি)ঃ** জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি ইরাই নুমিৎতা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা টেরোরিষ্টশিংগী মরক্তা থোকখিবা খূৎ থোক্নবা অমদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুনা লাস্কর-ই-টাইবা (এল ই টি) টেরোরিষ্ট ২ হাৎখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

থাজনিঙাই ওইবা ই-পাউশিংদা য়ুমফম ওইরগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খা-কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী অৱন্টিপোরাগী ব্রোবান্দিনা এরিয়াদা কোয়শিল্লগা থিবা-হুম্বগী থবক চত্থখি। মতম অদুদা টেরোরিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবদগী নাকন অনী খূৎ থোক্লখি হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খি।



মদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হাৎখিবা টেরোরিষ্টশিং অদু নাইনা লিত্তর পুলৱামাদা লৈবা ইরফান অহমদ বেগু এলাইজ অবু জরার অমসুং কাদলবাল পাম্পোরগী তাশাদুক অমিন শাহ কৌই হায়না ৱাঙাংলোই অদুনা হায়খি।

পুলিস রেকোর্দসকী মতূং ইন্না দেগু হায়রিবা টেরোরিষ্ট অদু মফম অদুদা টেরর এটেক কয়ামরুম থৌরাং তৌবা অমসুং পাংথোকপা গ্রুপশিংদা য়াওবনি। জৱান অমা শিখিবা এল্লাহিবাঘ পুলৱামাদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা এটেক তৌরকখিবা থৌদোক অমদসু মহাক য়াওখি হায়না ৱাঙাংলোই অদুনা হায়খি।

অতোপ্পা অমিনশাহ কৌবা টেরোরিষ্ট অদু মীচম অমা হাৎখিবদা চেন্নবা মীওইনি। মখোয় অনীগী মথক্তা টেরর ক্রাইম কেস কয়ামরুম থাংগৎখ্রে। খূৎসু-খূৎলাই অমসুং নোংমৈ মরু কয়া য়াওনা খূৎ থোক্নফম অদুদগী লালহৌবগা মরীলৈনবা মচাক-মথুম কয়াসু ফংলে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# য়ু এস-রসিয়াগী মরী হেন্না ফৎচীল্লক্ত্রে ঃ পুটিন

**মোস্কো, জুন ১৪(এজেন্সি)ঃ** হৌজিক্কী য়ু এসকী এদমিনিষ্ট্রেসননা রসিয়াগী মথক্তা সেঙ্কসন্স কয়ামরুম থমজিল্লকখ্রে হায়না ঙরাং ফোঙখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা পল্লদুনা রসিয়া প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা মোস্কো অমসুং ৱাসিংটনগগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিং হেন্না-হেন্না ফৎচিল্লক্ত্রে হায়খ্রে।



প্রসিদেন্ট পুটিনগী ৱাফম অসি য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা উন্নরবা য়ারিবা থা অসিগী মনূংদা কোন্না জপান্দা পাংথোক্কদৌরিবা জি-২০ সম্মিট অমগী মাঙওইননা ফোঙদোকখিবনি।

সিরিয়াদগীনা য়ুক্রেন ফাওবা লোয়ননা য়ু এস পোলিটিক্সতা রসিয়ানা খূৎ থিঙজিল্লি হায়বা অদুবু মোস্কোনা য়াখিদবা অদু য়াওনা হীরম খুদিংমক্তা য়ু এসকা রসিয়াগা লৈনবা মরী ফৎলকখিদ্রে।

অমেরিকান গাইদেদ মিসাইল ক্রুজর অমগা রসিয়ান দিষ্ট্রোয়র অমগা সুপ্নগী ফুট ১৬৫ খক্ততা নক্কনা থৌজিন্নরকপদগী থেঙ্গাইনরমগদবা খজিক্তা ঙাইখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদসু লৈবাক অনী অসিনা অমনা অমদা মরান শীনরি।

# জুন ১৪, ৱার্ল্ড ব্লদ দোনর দে ২০১৯ ঃ ব্লদ বেঙ্ক ২৭৬০ লৈবা ইন্দিয়া ঈ য়ুনিট মিল্লিয়ন ১.৯৫কী অৱাৎপা মায়োক্লরি

**ন্যু দিল্লি, জুন ১৪(এজেন্সি)ঃ** ঙসি জুন ১৪দা ৱার্ল্ড ব্লদ দোনর দে পাংথোক্লি। ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দবলিয়ু ঐস ও)না ২০০৫তগী থবক অসি পাংথোকপা হৌখি। মদুগী মতূংদগী চহী খুদিংগী নুমিৎ অসিদা মালেমগী মফম পূন্নমক্তা ৱার্ল্ড ব্লদ দোনর দে হায়না থৌরম পাংথোক্লক্লি।



থৌরম অসি পাংথোকপগী পান্দমদি মীয়ামবু ব্লদ দোনর ওইনা চোংথোক্লক্নবা ইথিল পীনবনি অমসুং ব্লদ দোনেট তৌবগী মতাংদা মরুওইবা ৱারমশিং মীয়ামদা অমসুং দোনরশিংদা খঙহন্নবনি।

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনা (দবলিয়ু ঐস ও)না পুথোকপা ২০১৮ দাটা অমগী মতূং ইন্না ২০১৬-১৭দা ইন্দিয়াগী ব্লদ য়ুনিট মিল্লিয়ন ১.৯গী অৱাৎপা মায়োক্লরি হায়রি।

ব্লদ য়ুনিট মিল্লিয়ন ১.৯ হায়রিবা অসি হার্ট সরজরি ৩২০,০০০ নৎত্রগা ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট ৪৯০০০ পাংথোকপা ঙমহনগদবা টেঙ্কর ৬০গা মান্নে। ফংলিবা ব্লদ য়ুনিটশিং অসিগা মথৌ তারিবা অদুগগী মরক্তা লৈরিবা অহোবা অসি ওম্থোক্না অচৌবা খেন্নবা অমনি। মসিগী খেন্নবা অসি ইন্দিয়াদা খক্তা নত্তনা মালেমগী মফম পূন্নমক্তা শিবা অমসুং হিংবগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা অদুনি হায়রি।

ইন্দিয়ানা হান্নদগী হেন্না হৌজিক ব্লদ কলেক্সনগী ফিভম ফগৎলকপা উরবসু ব্লদ য়ুনিট মিল্লিয়ন ১.৯৫কী অচৌবা অৱাৎপা অমা মায়োক্লরি।

হৌজিক ইন্দিয়ানা মথৌ তারিবা অসি ব্লদ য়ুনিট মিল্লিয়ন ১৩.৪নি মসিগী ওন্ন-তৈনবদা ২০১৭-১৮দা কলেক্সন তৌবা ঙল্লিবনা ব্লড য়ুনিট মিল্লিয়ন ১১.৪৫নি। চহী-চহীগী ওইনা য়েংবদা ২০১২-১৩দা য়ুনিট মিল্লিয়ন ৯.৮, ২০১৩-১৪দা মিল্লয়ন য়ুটি ৯.৯৪৯, ২০১৪-১৫দা ১০.৮৩৮, ২০১৫-১৬দা ১০.৯০, ২০১৬-১৭দা ১১.০৯ অমসুং ২০১৭-১৮দা য়ুনিট মিল্লিয়ন ১১.৪৫নি।

হৌজিক ইন্দিয়াদা লৈরিবা ব্লদ বেঙ্ককী মশীং অসি ২৭৬০নি। দোনর অমদগী পীরকপা ব্লদ পিন্ট ১(এম এল ৪৭৩) না মীওই ৩ ফাওবগী পূন্সি কনবা ঙম্মি। কনাগুম্বশিংবু লান্না থাজবা কয়াদগী ব্লদ দোনেট তৌবদগী লাপথোকহল্লি। লান্না থাজরিবশিংদি, মদুনা হকচাংদা চোকথহল্লি, হকচাংগী ঈ ময়েঙ তাহল্লি অমসুং ব্লদ দোনেট তৌবা হায়বসি য়ান্না অনাবা প্রোসেস অমনি হায়বশিং অসিনি। অদুবু অশেঙবদি ব্লদ দোনরশিংদা থুনমক রিফ্রেসমেন্টশিং পী অমসুং মীওই অদুনা পূং অমগী মতূংদা মাগী থবক অমুক হন্না তৌবা ঙম্মি। মীওই অমদগী দোনেট তৌগদবা ব্লদকী চাং অসি পিন্ট ১(এম এল ৪৭৩) অমনি। মপূং মরৈ ফারবা মী অমগী ঈ পিন্ট ৮দগী ১২ ফাওবা লৈ।

ব্লদ দোনেট তৌবদা ফাওরিবা অনাবা অদুদি সুপ্নগী য়েত্তুমনা উনশাদা থিনজীনবগী অনাবা অদুখক্তনি।

মশা ফবা অমসুং চহী ১৮দগী ৬৫ ফাওবগী মরক্তা লৈবা মশাগী অরুম্বা কেজি ৫০দগী তাদবা মী অমনা ব্লদ দোনেসন তৌবা য়াই। অদুবু লাইহৌ নৎত্রগা অতৈ ইনফেক্সন লৈরবদি ব্লদ দোনেট তৌবা য়াদে।

দেন্টিষ্টতা চৎতুনা য়াগী লায়েঙ চত্থরুবা মীওই অমনা হেক নোঙানবদা ব্লদ দোনেট তৌবা য়াদে। দেন্টিষ্টনা নহাকপু মাইনর প্রোসিদিওর অমা চত্থখিবা তারবদি ব্লদ দোনেট তৌনবগীদমক য়ামদ্রবদা পূং ২৪ ঙাইবা তাই। অদুগা মেজর প্রোসিদিওর অমা ওইবা তারবদি য়ামদ্রবদা থা অমগী মতম ঙাইগদবনি। ঐস আই ভি পোজিটিব ওইবা মীওইনা ব্লদ দোনেট তৌবা য়াদে। মেলেরিয়া, দেঙ্গুনচীংবগী লায়না লাইচৎ লৈবা মফমদা চৎলুবা মীসু ব্লদ দোনেট তৌবা য়াদে।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : Up to Date
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.
First Come First Serve

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 09/05/19
Sl. No. : 9700
Valid : 06/05/19
Sl. No. : 8831
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : Up to Date
Valid : Nill
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Lamsang Gas**
Booking : 20/05/19
Valid : 16/05/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 07/06/19
Valid : 30/05/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 10/05/19
Sl. No. : 750
Valid : 05/05/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 14/06/19
Valid : 17/05/19
Stk : 306, 19kg Available
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 11/06/19
Sl. No. : 260555
Valid : 04/06/19
Stk : 306
Time : 06.00 to 10.30 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
First come first serve

**J Rongmei SK Indane**
Booking : 01/05/19
Valid : 29/04/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 21/05/19
Valid : 11/05/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

**Bashikhong Indane**
Booking : 30/04/19
Valid : 20/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Imphal L P G**
Booking : Up to Date
Stk : 681
Time : From 08.30 a.m.

**G B D Indane**
Booking : 09/05/19
Valid : 26/04/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 02/06/19
Valid : 07/05/19
Sl. No. : Up to 58963
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 28/05/19
Sl. No. : 35471 to 35571
Time : 07.00 to 08.30 a.m.

**Swombung Indane**
Booking : 21/05/19
Valid : 07/05/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Phayeng Indane**
Booking : 13/06/19
Valid : 04/06/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

### সনা-সুদোকু - ১৫১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 7 | 3 | 9 | 4 | 2 | 5 | 6 | 1 |
| 6 | 5 | 2 | 8 | 7 | 1 | 4 | 3 | 9 |
| 1 | 9 | 4 | 6 | 5 | 3 | 2 | 8 | 7 |
| 7 | 8 | 1 | 4 | 2 | 9 | 3 | 5 | 6 |
| 2 | 6 | 9 | 5 | 3 | 8 | 1 | 7 | 4 |
| 3 | 4 | 5 | 1 | 6 | 7 | 8 | 9 | 2 |
| 4 | 3 | 8 | 7 | 1 | 6 | 9 | 2 | 5 |
| 5 | 2 | 7 | 3 | 9 | 4 | 6 | 1 | 8 |
| 9 | 1 | 6 | 2 | 8 | 5 | 7 | 4 | 3 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-152**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | | 1 | | | 2 | 6 | |
| 1 | 9 | | | | 8 | | | 3 |
| | | 5 | 6 | | 3 | 1 | | |
| | 3 | | | 9 | | | 2 | 5 |
| 5 | 1 | | 2 | | | | 3 | |
| 9 | 6 | 2 | | | | | | 1 |
| | | 1 | 9 | 6 | | 3 | | |
| 8 | | 3 | | 1 | | | | 6 |
| | 2 | | | | 5 | | | 4 |